# অদুঙৈগী মশান্নশিংনা মমি শামখ্রবদা শৈরোল শৈথাশিংনা কদোমদা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

খুন্নাই অমবু, লৈবাক অমবু মখল-মখলগী মশান্নশিংনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলি। শান্ন-খোৎনবা হায়বসিদি অঙনবা মতমদগী হায়বদি মীওইবনা মৈগী মতেংদগী করি কান্নবা ফংই খঙদ্রিঙৈ, য়ূম-কৈ শাদুনা হিংবা পূন্সি মহিং ওইদ্রিঙৈ, শেৎন-ইন্নবা ফি পুথোকপা হৈত্রিবা, মখোয় মখোয়না লৈরু-লৈরুবা উমং-ৱামংশিংদগী ফংবা শা-ঙা, হৈ-রা, মনা-মশিং হিংনা চাদুনা উখা-ৱাখা, শুরুং-মানুংদা পঙলেন লেন, পঙহিং হিংলিঙৈ মতমদুদগী হৌনা শাগোন্নদুনা লাকখ্রবনি। ঐখোয়গী ওইনসু হয়িচক্তা পাল্লম্বা নিংথৌ কাংবনা শগোল কাংজৈ শান্নবা হৌদোকখিবগী ৱাফম কাঙজৈরোল পুয়াদা য়াওরি।

মালেমগী থাক্তা শকখঙলবা মশান্না কয়াদা হৈথোই শীংথোইবা মশক নাইবা মীংচৎ উরোং খিনবা ঙম্বা শান্নরোয় কয়া লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি। অদুবু হীরম অসিদগী খজিক্তং থৈদোকচরগা মতম অমগী শোয়ফদ্রবা থৌগাই অমদৌনা লৈরক-খুল্লক, শুমাং-থেল্লোং, লম্পাক্লচিংবদা শান্নখিবা মশান্না খরা নীংশিংলুরগা ঐগী ৱাখলদা মোংলক্লিবা খরসি থমজগে। ঐখোয়গী খুন্নাইদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা থবক থৌশু থৌচৎ অমদি মশান্না কয়াগা শাগোন্নদুনা লৈজরকপা শৈরোল শৈথা ময়াম অমা লৈরম্মী হায়বসি চীন্থাং য়ৈনা মীরোল মথং-মথং শৈথানরকখিবা শৈরোল কয়ানা লেঙদবা খুদম ওইদুনা লৈরি। ঐখোয়গী ইপা-ইপু, ইমা-ইবেনশিংনা মখোয়না শূরিবা থবক অদু মশান্না অমগুম শৈশক শৈথা কয়াগা ঈরোয়নরম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা চনু নিঙোলশিংনা খারী লৌবুক্তা য়াৱা উচেক ঙাকপদা অসুম্না শৈশক্লম্মী - *হা উরীৎ নাপঙবী! নমানা কৌই তাদবী। নপানা কৌই খুমদবী। য়া হোই য়া হোই হোই।* অসুম্না মমুন ফানীং-ফানীং তৌরক্লবা খারি লৌবুক্কী লোইমোম ফৌবু উচেকশিংনা চাথোকখিদনবা লৌতাংশঙদগী শৈরোল শৈথা অসি তাহন্দুনা তান্থোকপনি। উচেক তানবগী অৱাবদু শৈরোল অসিনা কোকহল্লি।

*উ...উ...উ... উদগী চাউবা খোংনাংনি/মনা পূঙবা হৈনৌনি/উ বলে গা/লৈক্রক চৎলে গাজি/হৈনৌনা মুল্লগা তেনৱানা হরাউই/হৈনৌ মুল্লে চাররো।* মসিখক্তা নতে অতোপ্পা খরসু পঞ্জগে... ***ইমাগীদি ইবুংঙো/সাহেবকীদি পুজারী উ...উ...উ..., পাৎকী ঙখা মৈঙাংবী, হংগাম মকা অপাকপা, ৱারক্তগী শোইবুমগা লৌরক্তগী ঙাক্রাগা থাউদা চিবোন তৌরগা/চি চৌ চি চৌ*** অসিনচিংবনি। অসিগুম্লবা তান্থা নাইবা ঈশৈ শৈরেংশিং অসি চীনফা থীদুনা মচা চেনবী (উরাউবী) শান্নবদা কোয়চেন চেন্দুনা তান্নবদু ঙসিদি নীংশিংবখক্তমক মঙাইরে। ঐখোয়গী অঙাংশিংনা পাক্লবা শূমাঙদা নৎত্রগা অহাঙবা লম্পাক্তা শান্নবগী শক্তম অদুদি ইমীৎসিনা উজগে ফংখিদ্রে। মতম অমগী ঐখোয়গী খুন্নাইদা ওইরম্বা পূন্সিরোল, লোনচৎনচিংবা তাক্লিবা মশান্না অমদি শৈরোল শৈথানি। মতিক ময়াই লৈরবা খোংনাং, হৈনৌনচিংবা উপাল-হৈপালনচিংবা কয়াবু শৈথাবগা লোয়ননা মীওইবগা উপান-ৱাপান, হৈপান-লৈপান, শা-উচেকশিংগা তৎন-থানবা য়াদনা লৈনরিবা মরী অদু তাক্লিবা শৈথানি। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা মমা অমগী মফমদা লৈরিবা মচাবু নুংশিবদি মপান নাইদে, কনানসু মমল লেপ্পা ঙল্লোই, করিগুম্বা পোৎশক অম্তগসু চাংদম্লবা য়ারোই হায়বগী নুংলোন ***ইমাগীদি ইবুংঙো সাহেবকীদি পুজারি*** হায়বা শৈথা অসিদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। অমরোমদা অনেম-অৱাং নাইবগী মচৎ লৈবা খুন্নাইদা মপু-মনাইগী খেন্নবা থাক অদুবুসু খঙহল্লি। অতোপ্পা মীৎয়েং অমদা য়েংলবসু ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অমদি ইমা-ইবেনশিংনা সাহেব হায়না মিংগৌনরম্বা বৃটিশ লোইলম মখাদা ইরৈচা কয়াবু নমথবীদুনা থম্বীরম্বদুবু ফোঙদোকপনি হায়বসু য়াই। ওইনীংবা ওইসনু ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ চীনফা পুখ্রবা শৈথাশিংনি। হুমাং তানা কোয়চেন চেল্লুবগী অৱাবা চোকথবা কয়াবু মাঙহনখিবা শৈরোলশিংনি।

মখল মথেল মশান্ননি, স্কুলদা তম্লিবা লাইরিক্তা য়াওবসু নত্তে। ইথক থোংবশিংনা শান্নরম্বা, ঙাঙনরম্বশিংদু ঐখোয়না মতৌ তমজবা অমদি ঐখোয়দগী অমুক ইখা তাবশিংনা তম্বনি। নাউরোন অহুম ওইরিবা ঐখোয় পূন্না শান্নমিন্নবা মতাং কয়াসু য়াওখি। য়াম্না নুংঙাইখিবা মশান্না খরগী মনুংদা ঐখোয় ময়ামগী মরক্তগী তূম্বীগী শক্তম লাৎলিবী অমগা ঐখোয় ময়ামগা অসুম্না তৌনখিবা অৱায় অখুমদুনি-

*তূম্বী, নমা কদায় চৎখি? লৈকায় কোয়খি/লৈকায় কদায়? যণনা নেৎলে/যণ কদায়? উয়োক চঙখ্রে/উয়োক কদায়? মৈনা চাক্লে/মৈ কদায়? চীংদোন লোম্মে/চীংদোন কদায়? পূক্তা য়েপ্পী খননম/* অসুম্না অৱায় অখুম তৌনরবা মতুংদা মহাক্লা ঐখোয়গী মরক্তগী অফংবা অমদা শোক্লগা মাংহন্নবা কোয়তান তাল্লি।

মতৌ অসুম্না অমাং-অশেংগী লোনচৎ ফাওবা অমাংবী শান্নবদা মমি তাহল্লি। মচা চেনবী (উরাউবী) মশান্নদদি উ তানবদা শোকখ্রবা অমাংবশিংবু শিখ্রবগা পাংখক ওইহল্লি। ***চুরাফলগী চুরক্তা/চু চাগে চঙলুবা/চুদি চাবা ফংদনা/চৈতুপ চাদুনা চেল্লক্লে।*** শৈরেং মতেক অসি থিরগা পঙচোংদা চোংখি মতমদুদা। ৱাহৈ খুদিংমক চ হায়রিবা ময়েক অসিখক্তনা হৌবা শৈরেংনি। মীগী মপোৎ হুরান্দনবা পাউজেল য়াওরি। ***ফদিগোম পাখোম মরক্তা/ফি-রোন ফৌরিবা/শানা ঙানা লাকখিনি/লোকশিল্লো লোকশিল্লো*** য়ূম্বান লোনচৎকী মচাক অমনি হায়না লৌবা য়ারিবা শৈরেং অসি নুমিৎ হেক তারকপগা ঐখোয় ময়াম চপ মান্ননা ব্রঙ-ব্রঙ থিদোকখিবনি। ***তোং তোং তোংবয়া (অয়াম্বনা তোদ্রুম্বী হায়নৈ, ঐখোয়না শান্নবা মতমদদি তোংবয়া হায়)/চকৃক নাকৃক চৱাইবী/পাবা নত্তে পুরমদে/থাদোই কৌবীনা তেমু তেমা মতোন সনা চি চৌ*** হায়না শান্নবদু নুংঙাইবনি, ফম্লগা খূবাক-খূনম-খূদুম লৈবাক্তা থম্লগা ইৱা ৱাদবীদা শান্নবা মশান্ননি। অঙাং নাৱা অপীশকপু থেন্বীবা অমদি তন্বীবা মশান্না অমা ওইনা ***উচি চি চি চিরাবা (খাঙমৈতৎ হায়বা মতাংসু য়াওখি)/খৰূঙ মপান খৌশাবা শেন্তাং লাকই য়া! অমুক্কা হন্না য়া!*** শীংথাবা য়াই। করি য়াইবু পুবা শৈরেংনো থেন্বা য়াদনা কপ্পলম্বা অঙাংদুগী মখূৎ খূনমগী উনশা খরা শীকপোই পায়বোই লৌখৎলগা শৈহেক অসিগা লোয়ননা মখূত্তু থাংগৎ-থাংথ তৌবদা খেক-খেক হেক্তমক নোক্লকপনি। শৈরোল শৈথাশিং অসিনা লোইবা নত্তে। স্কুল মতম লোইরগা হল্লকপা, ছুটি লৈবা নুমিৎ, ইমুং-মনুংগী থবক মতেং পাংলুরবা মতুং, স্কুলগী হোমৱর্ক তৌরবা মতুং অহাঙবা মতমশিংদা শৈরোল শৈথা কয়াগা লোয়ননা শান্নখিবা মশান্নশিংদো ঙসিদি মমি শামখ্রেকো! শান্ন-খোৎনববু পামজবশিংনা মখল কয়াগী মশান্নদা হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোয় কয়া শেমগৎনবা হোৎনরি। লৈঙাক অমদি লন্নাই মীওই কয়ানসু পূক্লিং থৌগৎপীরি। অদুবু পূক্লিং ৱাখল মকা লাম্না শান্নখিবা মতম অমগী ঐখোয়গী মশান্নশিং অমদি শৈরোল শৈথাশিংদুদি অমুক হল্লক্লরোই খল্লুবদা পূক্লিং নুংশিরকই। ●

# ৱাহংদি পঙহংদা হংবা য়াই

- নবকুমার ওইনা -



লমদমসিদা লৈবাক নীংবা হায়নরিবসিবু করম্বা লৈবাক্লো? ইয়াম্বা অমনা হায়বনি, 'ইবো, লৈবাক নীংনরিবসি লৈখোম থোক্লেহে। কুনমাথোই শুবা চহী চাসিদা লৈবাক নীংলিবা ময়াম অসিগী ৱাখলগী থাক অসিবু হায়রিবা। শুমাং কুক্মৈদা অদুম তারে। লম মুল্লগা লৌগনি, অমনা য়ারোই হায়গনি, মসিদা লোইরমান্নে।"

থায়নদগী হায় তারে, শা-ঙা খরা চারগা পঙনুংদা নুংঙাইজবা, পঙখৎ খৎনরগা লৈরম্বা হায়বদুনি। থোইনা চাউবা এচিভমেন্ট অমা লৈরম্বা নত্তে। মালেমগী থাক্তা য়েংবা তারবদি, চিনবুং ৱারীদা পঙনুং নুংঙাইরগা লৈবাক অমা মপূং ফারক্কনি হায়বদি লৈতে। ঈশৈ খরা শক্লগা লৈবাক শেম্বা য়াবসু নত্তে। ঈশৈ শক্লগা, জগোয় শাবা য়েংলগা অহিং কয়া লেল্লম্লিবনি। ৱারীদনা লান কয়া শোক্নরগা লৈবাক অমা শেম্লকপগী ঈশৈ ওইনা শক্লরিবনি। মদুদনি থবক কয়া লৈরক্ত্রদি লৈবাক নীংবা য়াওরো হায়রকইবসি।

লৈবাক নীংবগী ঈশৈ ময়াম শক্লরি। অমনা ঙাঙই, লৈবাক নীংবগী ঈশৈসি ওন্থোক্লা থৱায় য়াওনা তারেদকো। ঈশৈদি নুংঙাইবগীনি, ঐখোয়গী নাপলনা নুংঙাইথোকপা অমসুং পঙবগী চাংদু ঈশৈশিংসি তারগা খঙবা ঙম্মীবনি। লাইশোন ঈশৈ তারগা শিংবগী চাংসু খঙবা য়ারিবনি। শীংবগী চাংদি ওনবদা লোইবা নাইরোই, পঙবগী চাংদুদি অদুমক খঙবা ঙম্নরিবনি। মৈতৈ ঈশৈ হায়রিসিবু করি হায়রিবনো, কনানা হায়রিবনো? কবুই ঈশৈদি মণিপুরী ঈশৈ নত্ত্রা, মণিপুরী ঈশৈ হায়বনা করিনো? মৈতৈলোলদি লৈত্রবনি, মৈতৈনা করি লোন্দা ঈশৈ শক্লিবনো, তাঙ্খুলনা, কোমনা মৈতৈলোলদা ঈশৈ শকপসু লৈরিবনি। মৈতৈতনা মৈতৈলোলদা শকচদবনি হায়বা তারকই হায়বনি।

মসিসু লৈবাক নীংবগী ৱারীনি। মতম ঈশৈ হায়রবদি কাঙলূপ অমগী মী অমনা হেক্তা শকপা য়ারিবনি, লোল অদুতবু মণিপুরী কৌগদৌবা। মার ঈশৈ হায়বদি লৈরে, মোইরাং ঈশৈ হায়বদি তাদে, মোইরাং কংলৈরোল হায়বসি মোইরাং ঈশৈ হায়বদুরা? লুৱাং ঈশৈ, মঙাং ঈশৈ হায়বা লৈবদি কমদৌবা? ফয়েং ঈশৈ, অন্দ্রো ঈশৈ হায়বদি তারে, কৱালিসু মৈতৈলোলদা শকপা তাখ্রে। অসুম শকচিল্লক্লবদি লৈবাক নীংবগী ঈশৈসু কুক্মৈ তারকপদুনি।

থবক লৈরক্ত্রবদি মীশিংসে ঙাওরকই হায়রিবনি, থবক লৈতে হায়বসি হায়বা য়াবা ৱা নত্তে, পঙবসু কামথোকপনি। নহা ওইরিঙৈদা থবক লৈত্রদি ঙাপ্রুম তাল্লগা চারকইবনিদো। অহল ওইরকান্দা থবক লৈরক্তবদগী অমাঙ-অশোয় চেন্থরিবা তুরেলদা ইরুপ্পী শান্নরদি লোক্কা থুংলগা শিরোয়দ্রা হায়বগী ৱা ঙাঙনরকইবনি। হনুবা অমদি মরেংজুম ফাওবা লুপ্পোই লুপ্তুবোই তোকখ্রিবনি। লোক থুংদবা লায়রি, ঈশিংদা লুপ্লগা লানগগা খামগনি হায়রবদি লাইদুসু মচোংপাক নাইরক্ত্রবা হায়বা তারে। মসিবু ওইবা য়ারিব্রা, পঙহংদা হংবা য়াবা ৱারা? খঙদবদগী, হৈতবদগী য়ূম মৈ চাকপা খাম্বা য়াওদ্রববু কৈদৌবগে, খাম্বা কাঙবুনা খাম্বা হায়বদুনি। থবক্তু হৈত্রবদি তৌরুনু হায়বগী ৱানিদা, হৈতবদুনা য়াওদ্রিবনি। চৌক্রিদুগী ৱানিদা। নখোয়না ফম্মু হায়বগী ফম্বনি, চৌক্রিদা ফমদ্রদি কদায়দা ফমগনি। মোইবুং খোংবদি ফক্তা ফম্বা উইদা, খোংলগা খঙগনি হায়রিসিবু চৌক্রিনা খোংবদি তাদ্রি, হন্দক তাগদৌরিব্রা? হংবসি পঙহংদা হংবা য়াইদা। হন্দক্তি চৌক্রিদা ফম্লগা খোংলক্কদৌরিবনি, বেঙ্গুন্দৌনা।

খনফম খঙলক্তবগী ৱাসি মরী-মরী শম্নরকইবনি। মীয়াম অমনা কপ্লিবা-লাউরিবা ময়ামসি লাউ খোংবা চিংগদ্রা খঙদ্রিবনি। মীওই খরদি লাউ খোংলিবা অসিদগী খঙগনি হায়বসু য়াওরক্লিবনি। মদুবুনি খোংলগা খঙগনি হায়রক্লিবসি। রেদিও খোংলগা খঙবা অদুগা মান্নবা নত্তে। হন্দক খোংলক্কনি হায়রিসিদি অৱা-অনা নংবা কাঙবু নত্তে, ফজনা ফম্নরগা খোংগদৌরিবনি। তাবা পাম্বা ময়াম মনা শেংদোক্লখ্রবনি। ৱা অমদি লৈ, খোংনগনি হায়রিবসি হৈবগী খোংবা নত্তে, হৈতবগী খোংনগদৌরিবনিদনা। মোইবুংনি, পেনানি, বেঙ্গুলনি খঙবা নৎত্রি, পেনামুক লায় হায়দুনি। হুৎ লৈথোক্লখিনি হায়বদি ইখঙ খঙনবা ৱানি, হৈখ্রপোৎনি। অদুনবু মায় ঙাংদবী মীমাং ফম্বা ঙম্নরকইবনি। লৈবাক্তি হান্না মূৎখিবা কুইরবনি, হৌজিক্তা কনগনি হায়রিসিনা কদায়দনো খঙবা ঙমদ্রিবনি। শিরগা লৌখৎপদি কনবা কৌগদ্রা হংনরিবনি।

চহী লিশীং অনীতা নত্তে, মঙাসু ওইসনু, মিলিয়নসু ওইজরসনু, তৌরকইবা ময়ামসি মায়ওন চুম্না চৎপা মাল্লক্ত্রবনি, অহুম মরিরক থৈরা-থৈরগা পুরুবদগী মায়কৈ সলাই খঙলক্ত্রবনি হায়বা য়ারবনি। শক্তমসু মচু তরেৎকী নুংশিৎ মপীনা উংবগুম ঙৌরোক ঙৌনা উরবনি। মাগী-মাগী মচুদা ঙাওনরিবা করিগীনো? অপূনবগী মচুদি উদ্রে, মাগী মাগী থায়নগী মচুদা ঙাওনবনি। হংবা য়ারিবসিনা থায়নগী নুংশিত্তা হিংগে হায়বরা অনৌবা তাইবঙ অমা শেমগৎকে হায়বরা। পাঙদবা মীশিংনা কপকনি, লাইদা তায়নগনি, মী মরক্তা ৱারৌনগনি। লাইবক শেম্বা ঙমহৌদ্রগা অশিবা লাইদগী নীবদি তোক্তে।

লাইদগী নিরগা হিংগনি খল্লিবসিনি। থবক শূনীংদবা নৎত্রগা লাইখঙদবদগী মতম পঙমাঙ মাঙহনবসি লায়রা তান্নবনি হায়বা খঙনদ্রিবনি। খুরা অমনা নোংমা ফাগি অমা তৌই 'থবক লৈত্রদি, ফুরি অমফাওবা থুংদ্রবরা, ফুরিদা ওইরবসু হোৎলুদনা।" ঐনসু ফাগি তৌই 'ফুরিদি থুংদনা।' খুরানা হায়খি 'থুংলকখিগনি'। হৌজিক্তি ফুরিগী ফুরিঙাক্তা হোৎফম খঙলক্তরে। মীগী ফুরি হোৎলুরবদি চৈবু চানরিবনি। পূন্সিসি রবর নত্তে, মরীল চৎলগা শাংদোকহনবা য়াবা নত্তে খঙলকপদা লাইরিক তম্লকপগী মওং শোয়খিবদু খঙলকই। ঙসি ফাওবা হিংলকইবসি লাইবক য়াম্না ফরবনি খল্লে। দ্রগ চাবা তম্লগা নুংঙাইগনি খল্লুরবনি, থোক তোকথোকপা ঙমহৌবগী হিংবনি, নহান্না শিরম্বসু য়ারিবনি। কুইনা হিংলগা কৈদৌগে হায়বনো? অমনা হায়, মিংচৎ তানবা, শেল পায়বা, মীয়ামগী থবক তৌবা, লাই নীংবা, লাইরিক ইবা য়ারগনা নিংথৌ ওইবা ময়ামনি। হায়জবগী ৱানি, হুরাল্লগা হিংবসু লৈরিবনি। অশেংবদি হিংবনি, লুরিবদি কদায়দা কমদৌনা হিংবা হায়বসিনি। শাজক্তি হিংবা ঙমগদৌবা শাজৎ য়াওদ্রিবা ঐনা করম্না হিংগনি? হংবদি পঙহংদা হংবা য়ারবসু কনাদা হংগদৌবনো খঙজদ্রি।

পঙহিং হিংগে হায়ব্রা, ফজনা হিংগে হায়ব্রা, নুংঙাইনা হিংগে হায়ব্রা, নতোমতা হিংগে হায়ব্রা, করম্বনা পাম্মী? খুল্লসু চুল্লোই, পূন্না হিংমিন্নগদৌবনি। মীওইবদি পূন্না হিংমিন্নগদৌবনিদা, খায়দোক্লবা হৈরসু পূনবা হৈতবসু য়ারিবনি, পুনবা হৈত্রবসু খায়দোক্লবা হৈবা হৌনদেদা।

খায়দোক্লগেরা, পুনগেরা, লৈগনি হায়রিদুবু কদাইদনো? ●

# মাইগ্রেশনগী ৱারী -৩

- জোস চোংথাম -

থায়না নাইন্টিন আইটিজতা ফ্রান্স, বেলজিয়ম অমদি নেদরলেন্দসনা মোরোকোদগী চঙলকপা মাইগ্রেন্টশিং থিংনবা হোৎনখিবদা লৈবাকশিংদুদা চঙবগী মহুত্তা স্পেন অমদি ইটলিদা ওইনা চঙশিনখি। ইকুই কুইদনা য়ুরোপকী লৈবাক খরনা সাউথ এসিয়া অমদি ৱেষ্ট অফ্রিকাদগী লানশিল্লকপা মাইগ্রেন্টশিং থিংনবা হোৎনবদা ভিজা ফংবা লায়বা খা থংবা অমদি নোংপোক য়ুরোপ্তুগী ওইনা চঙলকখি। লম্বী হোংবসিনা মী মশীং হন্থহনবা লৈতে, শুপ্নতগী মীশিং অদু য়েন্থোক্লবা খক্তনি। বোর্দরদা হেন্না চেকশিনবদগী থোক্লকপা ফীভম অমনা চুম্না মতম খরগী লৈবাক অমদা লৈগে খল্লম্বা কয়া মথং চঙবদা হেন্না চেকশিল্লগদি মখোয় অমুক হন্না লৈবাক্তুদগী থোক্লিংদে। মতম খরা লৈবগী মহুত্তা মখোয় লৈবাক অদুগী মীওই লুহোংশিন্দুনা লৈশিনবা কয়া য়াওই। থবক শূবগী ভিজাদা লাকপা মীওই কয়া কেটেগোরি হোংদুনা লুহোংলগা লৈশিনবা য়াবা অতোপ্পা পাম্বৈ থিরকই। মসিদসু নত্তনা হেন্না চেকশিনবনা, আইননা য়াদবা পাম্বৈ কয়া অমসু মাইগ্রেন্টশিংনা শীজিন্নরকই। ভিজা ফংনবা হোৎনবদা মখল মখা কয়াগী কন্দিশন থমজিল্লকপা তারগদি মাইগ্রেন্টশিং অদুনা মী অতোপ্পা শীজিন্নদুনা 'স্মগল' তৌহল্লগা চঙলক্লবা হোৎনরকই। মদু খক নত্তনা ভিজা মতম হেন্দোক্লা লৈশিনবা য়াওরকই।

য়ু এসতা *"undocumented migrant"* চিংলিবা মী অয়াম্বা চৎনবীগী মনুংদা লমকোয় ভিজা নৎত্রগা থবক শূবগী ভিজাদা চঙলকপা ওইরগসু, মতমগী মতুংইন্না কুইনা লৈশিন্দুনা *"undocumented"* তাবা কয়া য়াওই। সিগুম্বা ফীভমসিদদি বোর্দরদা হেন্না চেকশিনবনা লৈবাক অমদগী লাক্লিবা মী অমবু আইনগী ৱাংমদা লৈশিনহন্নবগী মরম চাউনা পীরি।

অতোপ্পা অমনা, খুদম ওইনা মথং চহী ওল্লকপদা বোর্দরদা চঙলকপা থিংনবা অহেনবা থবক পায়খৎলগদি লৈবাক্তুদা চঙলক্কদবা মী অয়াম্বা হৌজিক চঙহৌদবা য়াদে হায়বগী ৱাখলোন অমা য়াওরগা নমদনা চঙননবা হোৎনৈ। খুদোংথীবা কয়া নংগনি খল্লগসু চংহৌদবা য়াদে হায়বগী ৱাখলদা অৰৈবা পাম্বৈ থিদুনা চঙলকই। কুমজা ১৯৬২গী Commonwealth Immigrants Act চৎনদ্রিঙৈদা হান্না লোইলম ওইরম্বা লৈবাকশিংদগী য়ু কেদা মী চঙবা থিংলগনি তাবদা Caribbean, India অমদি পাকিস্থানদগী মী কয়া অমা অথিংবদু লান্থোক্তুনা য়ু কেদা ফনা য়াম্না চঙলকখি। সিগুম্বা কয়া অসি য়েংলুরবা মতুংদা চঙলকপগী পাম্বৈ লুহনবনা মাইগ্রেন্ট মশীং য়াম্না হেন্না চঙহল্লকপগী ৱারী কয়া থোকহল্লি।

**মিজোগী ঈহৌ অমদি ইন্দিয়া চাইনাগী মরী :** নাইন্টিন সিক্সটিজদা অসামগী লুশাই হিলসতা মিজোরাম নীংখা তম্নবগীদমক Laldenga কৌবা মীশক অমনা ঈহৌ অমা হৌখি। মতম অদুদা মফম অদুবু অসামনা খুদুম চনশিন্দুনা লৈবদগী ফূরুপ কয়া নুংঙাইনদবা য়াম্না ফাওনৈ। মিজোশিংসু মখোয়দা ইন্দিয়া নীংতম্লবা মতুংদা থুংলিবা শরুক অসি য়াম্না মীচং মীখাই নাই হায়না ফাওজৈ। মতম অদুদা মখোয় নীংতম্না লৈবা নৎত্রগা বর্ম্মাগী চিন কাঙবুগা পূনশিনবা নৎত্রগা ইন্দিয়াদা পূনশিনবা হায়বসি মখোয়গী কোক্তা লৈরম্মী। অদুবু মখোয়দা মসিগী খনবগী খুদোংচাবা অসি পীবীখিদে।

নাইন্টিন ফিফটিজগী অথেংবা শরুক্তগী হৌদুনা মিজোশিংনা মখোয়গী লৈঙাক্তা ৱা পাম্বীদগী থোকহল্লক্কদবা চাক-তাঙবা "Mau Tam" কৌবা থৌদোক অমা লৈ হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনা লাকই। মতাং অদুদা ৱা অমদি ৱাগী মপান চাবা উচিশিংনা চেঙ-চাক অয়াম্বা চাথোকখিদুনা মীয়াম অঙকপা ফংনা ৱানখি। মতমদুগী অসাম লৈঙাক্লা পাখৎতুনা বর্ম্মা লৈঙাক্তা চেঙ টন ১০,০০০ চিন ষ্টেট ফাওদুনা Karnaphuli তুরেলদা পুরক্লগা মখোয়গী লমদা থাবিরক্লবা হায়জখি। অদুবু মদুগী হায়জবদু থেংমনখ্রে।

মসিগী চাক তাঙবা অসিনা তোঙান তোঙানবগী ঈহৌ কনখৎহনবগা লোয়ননা Mizoram National Famine Front (MNFF) Laldenga না লুচিংদুনা লিংখৎখি। লৈঙাক্কী অশোয়বা সুম হেনজিল্লকপনা এম এন এফ এফ পোলিটিক্স য়াওদুনা মিজো নেশনল ফ্রন্ট কৌবা পার্টি অমা কুমজা ১৯৬১দা ওইখি। চহী মঙা অমগা লৈরগা মতমদুদা তোখায়না তাবগী য়াম্না কনবা Operation Jericho তৌদুনা মিজোগী নীংতম ঈহৌ হৌখি।

নাইন্টিন ফিফটিজ অমদি নাইন্টিন সিক্সটিজতা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খা নোংপোক থংবা মফমদা লৈবা মীওইশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি পেন্নদবা য়াম্না হেনগৎনরকখি। মসিনা খূৎ হেক্তা থোক্লবদি নৎত্রি। নাগাগী ঈহৌ হৌরিবশিংনা মিজো, বাইতে, পাইতে, মার, কুকি অমদি মীতৈশিংদা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ৱাখল খন্নবা নুংশিৎ কামশিল্লকখি।

কুমজা ১৯৬৪দা মতমদুগী মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নরনা হায়খিবদা, মফমসিগী খ্বাইদগী চাউবা লোইশিন্দনা লৈবা থবক থৌওং অহুম হায়রগদি - (১) মণিপুরগী অৱাং থংবদা লৈবা নাগাশিংগী লেঙ-ওৎপগী থবক ফাজিনবা। (২) নাগা নত্তবা ত্রাইবশিং মৈতৈ য়াওনা, খূৎলায় পায়বা নাগাগী মফমদা চঙখিদবা অমদি নাগা নেশনল কাউন্সলদা য়াওখিদবা। (৩) মফমসিদা নীংতম ঈহৌদগী ওইরকপা য়াবা ঈরাং থিংনবা ইন্দিয়াগী খূৎশু-খূৎলায়, লান্মী মপাঙ্গল অমদি মশীং হেনগৎহনবা হায়বসিনি।

নাইন্টিন সিক্সটিজদা পোকখিবা মণিপুরগী নীংতম ঈহৌগী লূপ্তুগী চান্নমা মতমদুদা মণিপুর রাইফলস অমদি হোম গর্দকী লান্মী মশীং, খূৎশু-খূৎলায় হেনগৎলকখি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কিজ-১০৮গী ৱাহং

১) "পূন্নমক অরেম্বনি, কবিগী তাঙলবা খুভম অসিদি নঙগী পূক্লিংগী মখা পোনবা নত্তে; ঐখোয়না মথক্তা হায়খ্রে, নথৱায় শোক্লা হায়বা ৱাহৈতনা মীগী মথৱায় শোকহনবা ঙম্মী।" ৱাহৈ পরেং অসি মীয়াম্না য়াম্না খঙনরবা ৱারেং অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারেং অদুগী অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

২) "নঙ ঐবু নুংশি হায়বদায়।-নুংশি-করি হায়না নুংশি, ঐদি য়ূম পানবা ঙম্মোই হায়বা নৎত্রা...।" ৱাহৈ পরেং অসি ময়াম্না শকখঙনরবা অইবা অমগী নোভেলদগী লৌথোরকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা নোভেল অসিগী অইবা কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "বীর টিকেন্দ্রজিৎ" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী ইংগ্রাজিদা কুমজা ২০২৪দা কনানা হন্দোকপগে?

৪) "বোরখানগী ইনে" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "থম্মোয় মচেৎ" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।